# কলম্বিয়াদা কায়খিবা প্লেনগী পাইলোটনা থাউ য়াওরক্তবগী ৱাফম ফোঙদোক্লমখি




কলম্বিয়া, দিসেম্বর ০১ : ব্রাজিলগী সোক্কর টিম অমগী মীওই অপুম্বা অশিবগী খয়াত্তা তাহনখিবা মওংদা কায়খিবা প্লেন অদু লমখাংদা থাউ লোইখি, ইলেক্ট্রিকেল পৱার য়াওখিদে অমসুং ইম্মরজেন্সি লেন্দিং তৌনবা হোৎনখি হায়বসি পাইলোটতুগী অরোইবা ৱাহৈশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

অৱাবগী মশক ওইরবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৭১ শিখি অমসুং সোক্কর ৱর্ল্ড অপুম্ববু মদুনা থম্মোয় কায়হনখি।

লামিয়া বোলিভিয়াগী চার্টর ফ্লাইট অদুদা তোংখিবশিংগী মনুংদা মীওই ৬ তমক হিংহৌখিবনি। মখোয়গী মনুংদা চাপেকোন্সে সোক্কর স্কৱাদকী মীওই অহুম য়াওখি। ক্লব অদুগী পুৱারীদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা গেম সুদামেরিকানা ফাইনেল শান্ননবা পায়খিবগী লম্বীদা প্লেনদু কায়খিবনি।

'মিস লামিয়া ৯৩৩ মপুং ফানা ফেল ওইরে, ইলেক্ট্রিকেল সিস্টেম ফেল ওইরে, থাউ (ফ্যুএল) সু কংলে' হায়না বোলিভিয়ন পাইলোট মিগ্যুঅল কুঞ্চইডরোগানা মেদিলিন এয়রপোর্টকী কন্ট্রোল টৱারগী ওপরেটরদা হায়খি হায়রি।

'ফ্যুএল ইম্মরজেন্সি, মিস' হায়রদুনা মহাক্না লেন্দিং য়ানবা অথুবা পার্মিসন পীবিনবা হায়জখি। মদু মতমদুদা মনাক নক্না পাইরিবা এভিয়ানকা প্লেন অমগী কো-পাইলোট অদুনা পীখিবা ৱারোলগা চানখি। মহাক্না হায়খি, লামিয়া প্লেন অদু ফ্যুএল য়াওরক্ত্রে, লেন্দিং তৌবা তারে হায়না রিপোর্ট তৌখিবা মহাক্না তাহৌখি।

লোকেল মিদিয়ানা পাইলোট অদুগী ৱারোল য়াওবা ওদিও মেসেজ অমা থাদোকখি।' মদুদা মহাক্না 'মেদে মেদে... ঐখোয়বু রনৱে য়ৌনবা মতেং পাংবীয়ু' হায়খি হায়রি। 'মদুদগী ঐখোয় কপ্পা হৌখি।'

বি এ ঈ সিস্টেমসনা শাবা বি এ ঈ ১৪৬ অদু মেদিলিনগী মপানদা লৈবা লা-য়ুনিয়ন টাউনগা হেক তাইনবা চীংগী নাকন অমদা থোমজিনখি।

শান্নরোয় অহুমদুগা লোয়ননা জর্নেলিষ্ট অমা অমসুং ক্রু মেম্বর অনীসু হিংহৌখি। থৌদোক অদুদা হিংহৌবা বোলিভিয়ন ফ্লাইট টেক্নিসিয়ন ইরৱিন তুমিরিনা হায়খি, সিক্যুরিটি প্রোসিজর য়াম্না চেকশিন্না ঙাক্তুনা মহাক্না মশাবু কঞ্জখিবনি। অতৌনা মীপাইদুনা লৈনখি।

পেসেঞ্জর কয়া মখোয়গী সিটশিংদগী হৌগৎলদুনা লাউবা হৌখি' হায়না মহাক্না কলম্বিয়াগী রেদিও করাকোলদা হায়খি।

'ঐহাক্না বেগ অদু ঐহাক্কী খোঙ অনীগী মরক্তা থমখি অমসুং পুক্লুংদা লৈবা অঙাংগী পোজিসনদা লৈখি। মসি রিকমেন্দ তৌবা হকচাংগী পোজিসন্নি।'

অতোপ্পা হিংহৌবা মীশক অমা ওইরিবা বোলিভিয়ন ফ্লাইট এটেন্দেন্ট জিমেনা সুৱারিজনা হায়খি, প্লেন অদুনা চীংদা থোমজিন্দ্রিঙৈ মিনিট অমা ফাদবগী মমাঙদা মৈ মুৎখি। শান্নরোয়শিংদুগী মনুংদা গোলকিপর জেক্সন দোলমেন মখোঙ য়েৎ ককখিবদগী মশা ফগৎলকপা ঙাইরি হায়না দোক্টরশিংনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা প্লেয়র দিফেন্দর হেলিও নেটো মকোক, থবাক অমসুং লংসতা থীনা শোক্তুনা ইন্টেন্সিভ ক্যেরদা লৈরি। ফেলো দিফেন্দর অলান রসচেলনা স্পাইনেল ইঞ্জুরি লৈখি।

# পাকিস্তানগী অনৌবা আর্মি চীফনা এন্টি টেরর লাল মখা তানা চথখিগদৌরি



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০১ : পাকিস্তানগী টেররিজম মুথুৎখিনবগী পান্দমদা টেররিজমগী মায়োক্তা শোক্নরিবা লালদু মখা তানা চথখিগনি হায়না পাকিস্তানগী অনৌবা আর্মি চীফনা ফোঙদোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।


রহীল শরিফকী মহুৎ শিন্দুনা পাকিস্তান আর্মিগী কম্মান্দ পায়রবা মতুং নোংমা লৈরগা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বাজৱানা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

'হান্না খুমাঙ চাউশিনখিবদুগী মতুংসিদসু ঐখোয়না মখা তানা লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি' হায়না আর্মি চীফ অদুনা ফিল্ড ফোর্মেসন্সতা অহানবা ওইনা ভিজিট তৌরদুনা হায়খি।

বাজৱানা পাকিস্তানি টালিবান অমসুং ফোরন মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অচৌবা ওফেন্সিভ অমা কন্দক্ট তৌখিবা নোর্থ ৱাজিরিস্তান ট্রাইবেল রিজনদা চৎখি। লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদা লোকেল ফোর্মেসন কম্মান্দর অমনা বাজৱাদা ব্রিফ তৌখি। লালহৌবগী ঈরাংনা মরম ওইদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লরবা মীওইশিংবু নৌনা খুন্দাহন্নবা পায়খৎলিবা থবক্কী মতাংদসু মঙোন্দা ব্রিফ তৌখি।

ট্রাইবেল রিজন অদু খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী ঈথিল মখাদা লৈখি তৈইগুম্বসুং কুমজা ২০১৪ গী জুনদা হৌখিবা ওপরেসন অমগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদুদগী লালহৌবশিং তকথোকখি। ট্রাইবশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা জেনরেল অদুনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি টেররিষ্ট মখল অমত্তা লমদম অদুদা অমুক হল্লকহল্লরোই। চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ওইনা মহাক্না খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবা থবক্তি মপানগী অমসুং মনুংগী প্রোটেক্টশিংগী মায়োক্তা পাকিস্তানগী দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিবু কৃপ্পা শেন্নবনি।

# ম্যান্মারগী বোর্দরদা চাইনিজ আর্মিগী মশিং হেনগৎহনখ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ০১ :

গভর্ণমেন্ট অমসুং ইথনিক মাইনোরিটিশিংগী মরক্তা কনফ্লিক্টকী ফীভম হেনগৎলকপদগী রিফ্যুজি ময়াম চেনশিল্লক্লিবা ম্যান্মারগা তাইনবা চাইনাগী সাউদর্ন বোর্দর পরিংদা চাইনিজ আর্মিনা পেট্রোলিং হেনগৎখ্রে হায়না চাইনিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোকস্মেন য়াং য়ুজুননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, থোক্লকপা য়াবা ইম্মরজেন্সি খুদিংমক দিল তৌনবা অমসুং লৈবাক অদুগী সোভরন্টি কন্নবা অমসুং চাইনিজ মীয়ামদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা পিপলস লিবরেসন আর্মিনা বোর্দরদা শেম শাখ্রে হায়না ঈ এফ ঈ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, ম্যান্মারগী মীশি-মীনাগী ঈরাংদুদগী চেনখিদুনা বোর্দর লাল্লগা চাইনাদা চঙশিনখিবা মীওই ৩,০০০ হেনববু নিংথিনা রিসেট্টল তৌহন্নবা চাইনিজ আর্মিনা লোকেল গভর্ণমেন্টগা কো-ওপরেসন পীনরি।

নবেম্বর ২০ দগী নোদর্ন ম্যান্মারদা বর্মিজ আর্মি অমসুং ইথনিক মাইনোরিটি অহুমগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অদু হেনগৎলকখি। ঈরাং হেনগৎলকখিবদুগা ঈরোয়ননা য়ামদ্রবদা মিসাইল অমা চাইনিজ লমগী শরুক্তা তাশিনখি।

তোঙানবা থৌদোক অমদা চাইনাগী লমগী শরুক্তা হাইজিল্লকখিবা নোংমৈ মরু অমনা পানবদগী সিটিজন অমা শোকখ্রে হায়রি। য়াংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি চাইনানা লুনা লৌই। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মরী লৈনবা পার্টিশিংদা বোর্দর রিজনদা মিলিটরি ওপরেসনশিং কন্ট্রোল তৌনবা মহয় য়ানগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা আর্মি অমসুং কোকাং মাইনোরিটিগী মরক্তা খুৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপখিবদা সাউদর্ন চাইনিজ প্রোভিন্স য়ুনানদা লৌমী মঙা শিখি। মদুনা বৈজিংবু কাইহৌবদগী লমদম অদুদা ইম্মরজেন্সি লাউথোকখি অমসুং মিলিটরি ড্রিলশিং পাঙথোকখি।

# মোসুল সিটিগী মীওই ৫০০,০০০ গী থক্লবা ঈশিং ফংদ্রে



মোসুল, দিসেম্বর ০১ :

মোসুলদা মীচম ৫০০,০০০ ফাওবা 'মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা মওংদা' থক্লবা ঈশিং ৱাৎপগী ফীভম অমা মায়োক্লরি হায়না য়ু এনননা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে। ইরাকি ফোর্সশিংনা সিটি অদুদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা চঙশিনখিবগা চাননা য়ু এনননা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

হান্নদগী চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি কা হেন্না ৱাত্তুনা লৈরিবা ইরাক্কী অনীশুবা সিটি অদুগী মীচমশিং হৌজিক থক্লবা ঈশিং ফংলক্তরে হায়না ইরাক্তা লৈবা য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর লিজে গ্রান্দনা হায়খি।

মশানা মশাবু মচীঙ্গাক পীজনবা নুংতিগী হোৎনদুনা লাক্লিবা মীচম মিলিয়ন তঙ্খায়রোম থক্লবা অরুবা ঈশিং ফংদনা লৈরি। অঙাংশিং, নুপীশিং অমসুং ফেমিলিদা মসিগী চৈথেং অদুক্কী মতীক শাথিগনি' হায়না গ্রান্দনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খি।

ইরাকি গ্রুপ অমসুং এলাইদ ফোর্সেস লিশিং কয়ানা হৌখিবা থাদা মোসুলবু নৌনা লৌশিন্নবা ওফেন্সিভ অমা হৌখি। সিটি অদু চহী ২ হেনবগী মমাঙদগী আই এসনা পায়শিল্লকখিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরসিদা শোক্লখিবা লালদা ইরাকি ফোর্সশিংনা সিটি অদুবু কোইশিনখি অমসুং নোংপোক থংবা নৈবরহুদশিংদসু থোমজিনখি। মখোয়না নৈবরহুদশিংদুদা জিহাদিষ্টশিংগা লম্বীশিংদা লাল কন্না শোক্লখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইরাক্কী কাউন্টর-টেররিজম সার্ভিসকী স্পেসল ফোর্সশিংনা আই এসকী মফমশিং পায়শিন্নবা হোৎনখিবা অমসুং অল-ঈখে এরিয়াদা মিৎয়েং থম্বা হৌখিবগা লোয়ননা সিটিগী মনুংদা জর্নেলিষ্টশিংনা পোকখায়বগী অহৌবা মখোলশিং অমসুং কন্না খুৎ থোক্লবগী মখোলশিং তাখি।

তৌইগুম্বসুং সি ট এস কম্মান্দরশিংনা হায়খি, সিটিদুগী অতিয়া পুম্বা নোংথি-নোংমংদুনা মমশিনখিবনা মরম ওইদুনা এরিয়েল সর্ভেলেন্সতা অকায়বা পীবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎ নীনিসিদা ওপরেসনশিং তপথরকপা য়াই।

# ফোনদা ৱারী শানবদা দোনাল্ড ট্রম্পনা নৱাজ শরিফপু থাগৎলক্লে : পাকিস্তান



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০১ :

মুস্লিমশিংনা য়ু এসতা চঙবদা অথিংবা থমগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু ঙরাং অফবা মিংচৎ লৈবা অঙকপা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং প্রোব্লেম কয়া সোল্ভ তৌনবা হোৎনবদা মহাক্না লৌবা য়াবা থৌদাং কয়া লৌননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খ্রে।

মসি শরিফনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোক্লবা ফোন তৌবা মতমদা ট্রম্পনা শরিফতা ফোঙদোরকখিবা ৱারোলনি হায়না পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকী প্রেস রিলিজ অমনা হায়রি।

প্রসিদেন্সিয়ল কেম্প্যেন মনুংদা মহাক্না মুস্লিম খুদিংমক য়ু এসতা চঙবা থিংগনি হায়না থাজবা পীখিবগীদমক্তা মহাক্কী লৈবাক্তা ট্রম্পপু লিবরেল কয়ানা কন্না কন্দেম তৌখ্রবনি। মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংবু পানামা পেপর্সতা মমিং পনখিবা মতুংদা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা মহাক্কী লৈবাক্তা শরিফপু মপান্দা শেল থৈদোক্তুনা থম্বগীদমক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবনি।

চৈরকসিদা, য়ু এসকী রিয়েল ইষ্টেট মেগনেট অসিনা হৈনবী অমা ওইনা ৱা চাউনা অমসুং ৱাখলনা পংশা শাদুনা ঙাঙবা লেপত্রি অমসুং মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফতা লৈখায় তাদনা লৈরিবা প্রোব্লেমশিংগী সোল্যুসনশিং পুথোক্লবা তৌবদা মহাক 'মশানা' লৌবা য়াবা থৌদাং খুদিংমক লৌনবা শেম শারে হায়না থাজবা পীখ্রে। মহাক্না করম করম্বা প্রোব্লেমশিংনো হায়বদুদি পনখিদে।

ট্রম্পনা নৱাজ শরিফতা মখোয়নিগী ৱারী শানবদু মঙোন্দদি মতম শাংনা খঙনরক্লবা মীশক অমগা ৱারী শানবগুম থোকখি অমসুং পাকিস্তানিশিং অসি খ্বাইদগী শিংবা মীশিংগী মনুং চল্লি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি। মহাক্না শরিফতা ওফিস পায়বা হৌগদবা নুমিৎ জন্যুৱারী ২০ য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙ ফাওবা কোল তৌরকপা য়াগনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

পাকিস্তানগী প্রেস ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী প্রেস রিলিজগী মতুং ইন্না পাকিস্তানদা লাক্লবা মঙোন্দা ইনভাইট তৌবগী মতাংদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, মহাক্না য়াম্না নুংঙাইবা অঙকপা লৈবাক, অঙকপা মীশিং লৈবা অঙকপা মফম অমদা চৎপা পামই।

'পাকিস্তানি মীয়ামদা মখোয়বু য়াম্না নুংঙাইবা মীশিংনি অমসুং ঐহাক্না খঙখিবা পাকিস্তানি খুদিংমক থোইদোক হেন্দোকপা মতীক ময়াই চেনবা ঙাক্তনি হায়বসি তম্বীদুনা খঙহনবীয়ু' হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি হায়না পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকী প্রেস রিলিজ অমনা হায়খি।

ট্রম্পনা সাউথ এসিয়াগী প্লান অমা অখন্ননা পল্লকপা লৈত্রিবা মরম্না লুচিংবা অনীনা অসুম্না নুংশিনা অমসুং থাজননা ৱারী শানখিবদুনা পাকিস্তানগী ওইনা করি লাক্কদগে হায়বা ঙমদ্রি।

হক্কানি নেটৱার্ক, মশুদ অঝার অমসুং হাফিজ সায়ীদকুম্বা লৈবাক মনুংগী টেরর কাওবুশিংগী মায়োক্তা ইস্লামাবাদনা এক্সন অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈবদা ৱাশিংটন্না নুংঙাইতবা মরম্না য়ু এস পাকিস্তানগী মরী হন্দক ফীভম শোক্লকখিবনি। য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী মরী চেৎশিল্লকপগী মওং উবদা, মরু ওইনা হৌখিবা ওগষ্ট থাদা লৈবাক অনীনা অমনা অমগী মিলিটরি বেজশিংদু রিপ্যার অমসুং রিসপ্লাইগীদমক্তা শিজিন্নবা য়ানবা দিল অমা সাইন তৌনখিবা মতুংদা ইস্লামাবাদনা য়াম্না কন্না নুংঙাইতবা উৎখিবনি। ট্রম্পনা ইন্দিয়াগা বিজনেসকী মরীসু থম্নবা মরম্না মহাক্কী প্রসিদেন্সি মখাদা য়ু এসনা ন্যু দিল্লিরোমদা মমায় থুনা ওনশিনখিগদ্রা হায়না চিংনরি।

চহী অসিগী মে থাদা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টিটিবনা ভোট লৌনদুনা পাকিস্তানদা মিলিটরি তেংবাঙ পীবদা অথিংবা হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

/EMPLOYMENT NEWS

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,**
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT

**N O T I C E**

Imphal, the 1st December, 2016

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Department of Tribal Research Institute and General Administration Department, Manipur, Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant of this office w.e.f. 3-12-20-16 to 7-12-, 2016 at Room No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below:–

| Sl .N o. | Name of Department | Name of post | Number of posts. | Qualification. | Pay and Allowances |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | 2. | 3. | 4 | 5. | 6 |
| 1 | Department of Tribal Research Institute, Manipur. | Stenographer Grade-III | 1(one)-UR, only | Graduate or its equivalent from a recognized University possessing a speed of 120 w.p.m in shorthand (English) with Diploma in Computer Application. | Rs,5200 – 20200 + 2800 (G.P ) |
| 2 | -do-- | Grade -IV | 2 (two) - UR, only | Class VIII and above | Rs, 4400-7440 + G P Rs,1300/- |
| 3 | General Administrative Department, Manipur. | Driver | 1 (one)- UR, only | H.S.L.C | R,5200-20200 + 2800(G.P ) |

.Age -18 years, 38 years. Upper age limit is relax able as per rules
Date of interview/test:-Will be notified later on..

Sd/-
( NG. IBOTHOI SINGH )
Employment Officer, Imphal west.



HL-B/3401/20/10-19/11

/EMPLOYMENT NEWS

## Security Printing and Minting Corporation of India Limited – SPMCIL Recruitment 2017 – 15 Junior Office Assistant Vacancies – Last Date 30 December 2016

**SPMCIL Recruitment 2017**

Currency Note Press, Nasik Road invites application for the post of 15 Junior Office Assistant. Apply Online before 30 December 2016.

Advt. No. : 06/16

**Job Details :**

Post Name : Junior Office Assistant
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-

**Eligibility Criteria for SPMCIL Recruitment :**
Educational Qualification : Graduation with at least 55% marks and computer knowledge with typing speed in English @ 40 wpm/ Hindi @ 30 wpm.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 28 years as on 30.12.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location : Nasik (Maharashtra)**

**Selection Process :** The process of selection shall be Online written examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay for Rs. 350/- through Debit Cards (RuPay/Visa/ MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets. Candidates belonging to SC/ST/PWD/Ex-Servicemen are exempted from payment of application fees.
**How to Apply SPMCIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://cnpnashik.spmcil.com/Interface/JobOpenings.aspx from 01.12.2016 to 30.12.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 01.12.2016
Last Date For Submission of Online Application : 30.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://cnpnashik.spmcil.com/UploadDocument/Final%20Junior%20Office%20Assistant%20Advert%2025%2011%202016.a2dd2c7f-d1cc-476a-99d5-94b3f1061124.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/cnprjoanov16/

## Air India Limited Recruitment 2017 – 54 Cabin Crew Vacancies – Last Date 23 December 2016

**Air India Limited Recruitment 2017**

Airline Allied Services Limited (AASL) invites application for the post of 54 Cabin Crew in Northern, Eastern, Western and Southern Regions. Apply Online before 23 December 2016.

**Job Details :**
Post Name : Cabin Crew
No. of Vacancy : 54 Posts
Pay Scale : Rs. 35075/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
Educational Qualification : 10+2 from a recognized Board/ University. Candidates who are having three years Degree / Diploma Holder in Hotel Management and Catering Technology from a Government recognized Institute will be given preference.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years (as on 15.11.2016)

**Age Relaxation :**
For SC/ST : 05 years
For OBC : 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test, Group Dynamics & Personality Assessment test (GD &PAT).
**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 1500/- through Bank Draft in favour of Airline Allied Services Limited, payable at New Delhi. SC/ST candidates are exempted from the payment of fee.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.airindia.in form 30.11.2016 to 23.12.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 30.11.2016
Last Date for Submission of Online Application form : 23.12.2016

## Air India Limited Recruitment – 22 Technical Assistant Vacancy – Last Date 23 December 2016

Airline Allied Services Limited invites application for the post of 22 Technical Assistant. Apply before 23 December 2016.

**Job Details :**
Post Name : Technical Assistant
No. of Vacancy : 22 Posts
Pay Scale : Rs. 18000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
Educational Qualification : AME Diploma from DGCA approved Institute.
Nationality : Indian
Age Limit : 30 years (for 01.12.2016)

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on Technical Knowledge Test / Skill Test / Group Discussion.
**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 1500/- through Bank Draft in favour of Airline Allied Services Limited, payable at New Delhi. SC/ST/Ex-Servicemen are exempted from the payment of fee.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents, recent passport size photograph & bank draft send to the Alliance Air Personnel Department Lufthansa Hangar Building, adjacent to the Office of ED (NR),Air India Limited, Terminal -1B, IGI Airport, New Delhi – 110037 on or before 23.12.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 23.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.airindia.com/writereaddata/Portal/career/389_1_Advertisement_for_Technical_Assistant.PDF